## হেরোইন কেজি ৪ গা কোন্ননা ৩ ফারে

ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস) :
নেসনল হায়ৱে নম্বর ট্রা ইম্ফালদগী দিমাপুর তম্না লাক্পা ওইল টেঙ্কর (এম এন ০১/৮২২১) অমা ঙরাং নুমীদাং পুং ১১ রোম তাবদা মাও চেক পোষ্টতা খামদুনা চেক তৌবদা পুলিসনা গাড়ীগী দ্রাইভর য়াওনা মীওই অহুম হেরোইন কেজি মরিগা কোন্ননা ফারে।

পুলিসনা ফারবা ওইল টেঙ্করগী দ্রাইভর অদুগী মমিং কুমার সুবেধি (৩৯), অপোকপা হোমনাথ সুবেধি কৌই। মহাক কংলাতোংবী চার হাজ রদা লৈবনি। গাড়ী হেল্পর অনী অদুনা মোহনকুমার (২৮), অপোকপা রাম প্রসাদ, লৈফম্না কোটলেন অমদি বিজয়কুমার (১৮), অপোকপা ধরকা মহাদুর কৌই। মহাক ইরং থোং মনাক্তগীনি হায়রি। মখোয়দগী ফারবা হেরোইন পাউদর অদু তোঙান তোঙানবা পেকেট মরিদা য়োম্লগা পুরম্বনি। মখোয়দা আই ও সী এলগী টোকন নম্বর ৬৭ য়াওরমখি। মখোয় অহুম মাও পুলিসনা কেস অমা লৌখৎপগা লোয়ননা মখা তাবা ৱাহং পাউহংগী থবক কন্না চত্থরি।

## খুৎলায় য়োল্লি : রিপোর্ট

গুৱাহাতি, মে ২৮ (এজেন্সি) :
ম্যান্মারগী য়ুনাইটেদ ৱা ষ্টেট আর্মি (য়ু দব্লিয়ু এস এ)না অৱাং-নোংপোক থাংবা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা লালহৌবশিংদা মখা তানা খুৎলায় কয়ামরুম য়োল্লি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

মার্চ ১৮ দা অসামগী তিন্সুকিয়া দিষ্ট্রিক্টতা খুৎলায় থাদোক্তুনা চঙজরকখিবা য়ুনাইটেদ লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ অসোম (উলফা)গী লালহৌবা ৭ না ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না ৱাফম অসি খঙবা ঙম্লকখিবনি হায়রি।

## GAS NEWS

**CANCHI INDANE SERVICE**
Booking Upto : 25/04/2019
Valid From : 18/04/2019
***14 KG Stk : 612,*** 5 kg available
Timing:08.00am to 10.30am
(First Come First Serve)

**GBD, LAMLONG**
Booking Upto : 22/04/2019
Valid From : 31/03/2019
***Stk : 612*** (Only CTC)
Timing:07.00am to 10.30am

**K&K INDANE SERVICE**
**Booking Uptodate**
**Stk : 306**
Timing: 07.30am to 11.00am
(First Come First serve)

**KHORIPHABA, NAMBOL**
**Sl.No. 31312- 31707**
Booking Upto: 04/05/2019
Valid From: 02/05/2019
Timing:07.00am to 09.30am

**LEIBAKLEI GAS KAKCHING**
**Sl.No. Upto - 47071**
Booking Upto: 08/04/2019
Valid From: 25/03/2019
**Stk : 612**
Timing:08.00am to 11.00am

**LAMSANG GAS AGENCY**
Booking Upto:29/04/2019
Valid From:24/04/2019
**Stk : 306**
Timing:07.00am to 10.00am
(First Come First serve)

**MAHALAKSMI INDANE**
**Sl. No. Upto - 254380**
Booking Upto:03/05/2019
Valid From: 29/04/2019
**Stk : 306**
Timing:07.00am to 11.00am

**MAIBIA GAS, MOIRANG**
**SL. No. 1771 - 2500**
Booking Upto: 10/04/2019
Valid From: 08/04/2019
**Stk : 306**
Timing:7.00am to 11.00am

**MANIPUR GAS SERVICE**
Booking Upto:11/04/2019
Valid From:09/04/2019
**Stk : 612**
Timing:7.00am to 09.30am

**MISAO GAS SERVICE**
Booking Upto: 10/05/2019
Valid From: 18/04/2019
**Stk : 306, 19 kg Available**
Timing:07.00am to 11.00am

**M/S KHURKHUL HEIKHAM INDANE GRAMIN VITRAK**
Booking Upto: 22/04/2019
Valid From:13/04/2019
**Stk : 306** (TC Only)
Timing:08.00am to 12 noon

**KHUMBONG INDANE**
Booking Upto:29/04/2019
Valid From:28/04/2019
**Stk : 306**
Timing:07.30am to 10.30am

**PHAYENG INDANE GRAMIN VITRAK**
Booking Upto:14/05/2019
Valid From:09/05/2019
**Stk : 306**
Timing: 08.00am to 10.00am

**NONGPOK SEKMAI JCD INDANE**
Booking Upto: 09/05/2019
Valid From: 10/04/2019
**Stk : 306**
Timing:08.00am to 10.00am

**IMPHAL LPG SERVICE**
**Booking Uptodate**
**14.2 Kg. Stk : 306**
**19kg Stock : 106**
**5kg Available**
Delivery at Heinoupok
Timing : 08.00am Onwards
(First Come First Serve)
No Booking Required
Avail Online Booking,
Payment & Home Delivery

# ‘দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল থৌবালদা পুখৎপা অনাবা লায়েংবীদবদগী ইম্ফালদা পুবগী লম্বীদা লৈখিদ্রে’

ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস):
দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল থৌবালদা ঙরাং অয়ুক পুখৎলকপা অনাবা অমা হোস্পিটাল অদুগী ডোক্তরনা ইম্ফালদা পুখৎনবা হায়রকপদগী ইম্ফাল তম্না পুখৎলকপদা থৌবাল থোংখোঙ য়ৌরকপদা অনাবা অদু লৈখিদ্রে।

লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী মমিং মাইবম খোইদুম (৯৭) কৌই। লাংমৈথেক খুনৌদগীনি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ঙসি অয়ুক থৌবাল মেলাগ্রাউন্দদা পাঙথোকপা পাউমীশিংগা উনবা অমদা বি জে পি থৌবালগী মহিলা প্রসিদেন্টসু ওইরিবী, লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী মচানুপী থাংজম ওংবী সোরোজিনিনা ফোঙদোরকপদা, ঙরাং অয়ুক পুং ৮ লোম তাবদা অনাবা অসি ঈশিং চৎপা ঙমদবদগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল থৌবালদা পুখৎলকখি। অদুমকপু হোস্পিটাল অসিগী এম ওনা মফমসিদা নখোয়গী অহল অসি লায়েংনবা ডোক্তর অমত্তা লৈতে ইম্ফালদা পুখ্রো হায়রকপদগী ঙাইহাক ডোক্তর অমদি অনাবগী কাঙবুগা মরক্তা নিংঙাই শংদাইনরবা মতুং ইম্ফালদা পুরকপগী লম্বীগী থৌবাল থোংখোঙদা লৈখিদবনি হায়খি।

থৌবাল হোস্পিটাল য়ৌবগা অনাবা অসিগী ঈশিং চৎপা য়াদ্রিবা অসি খরা চিংথোক্লগা পোত্থাবা ঙম্লনি খন্দুনা হোস্পিটাল অসিদা পুখৎলকখিবনি। অদুবু হোস্পিটাল অসিগী ডোক্তরনা মখোয়গী মথৌ খজিক্তং তৌবীরম্লবদি লৈখিদ্রবসু খরদি পেল্লমগদবনি। অনাবা অসি ঙাইহাক্তং হিপহল্লগা অদুগা শ্বর হোনবা ৱারিবশিং অসি য়াওনা অমুক্তা য়েংবীয়ু হায়না য়াম্না কন্না হায়জখি। অদুফাওবা তাবীখিদে, য়াম্না কন্না হায়জবদগী ঈশিং চৎপা য়াদবদগী ফেরে ফেরে হাইদুনা লৈরিবা ৱারবা অনাবা অদুবু স্থিল চ্যেরদা ফমহল্লগা দ্রিপ কাপখি অমদি নখোয়গী অনাবা অসি ইম্ফালদা পুখ্রো হায়বা ৱাহৈ অসি নত্তনা ডোক্তরগী মচিন্দগী পূক্লিং থৌগৎপা ৱাহৈ অমত্তা তাখিদে।

য়াম্না ৱারবা অনাবা অদুবু শুকয়েং য়েংবীদনা ফমহল্লগা দ্রিপ হেক্তা য়ানশিনবীবা অদুগা লম্ফেলদা চৎলু হায়বদগী অনাবা অদু পুরগা চৎপগী লম্বীদা লৈতবা অসি য়াম্না পেন্দে। অনাবা অসি লৈখিদ্রবসু হোস্পিটাল অসিদা ঙাইহাক্তং পোত্থাহন্দুনা য়েংবীরম্লবদি পেঞ্জারমগদবনি। হোস্পিটাল অসিদা পুখৎলমদাই অদুফাওবদা ঈশিং অসি খজিক্তং খাইবীয়ু হায়না ডোক্তরদা হায়বীনবা হোস্পিটাল অদুদা হেল্পরসু ওইরিবা এল সুন্দারিদা হায়রগা ডোক্তরদা হায়হনখি। অদুফাওবা থিনা ঙাঙলগা তাম্থোরকখি হায়না ফোঙদোকখি।

হোস্পিটাল অসিদা হেল্পরসু ওইরিবা এল সুন্দরিনা ফোঙদোরকপদা, লৈখিদ্রবা অসিগী মচানুপী সেরোজিনিগা মহাক্সু লুনা তীন্নবা মরম্না সোরোজিনিনা ফোন তৌরকপদগী মহাকসু হোস্পিটাল অসিদা লাকপা মতমদা মখোয় হোস্পিটালদা লৈরমখি।

অনাবগী চে অদু পায়রগা মখোয় অনী অমুক হন্না ডোক্তরগী কাদা চঙদুনা লাংমৈথেক্কী অনাবা অসি ঈশিং চৎতবগী য়াম্না ৱারে ঈশিং খজিক্তং খাইদোকপীবগী খুদোংচাবা লৈগদ্রা হায়না হংলুবদা ডোক্তর অদুনা ঐ মীনা হেন্দল তৌরগা চৎপা ডোক্তর নত্তে। মসিদা ঐগী তৌফম থোকপা তৌখ্রে চৎলো হায়না চৈরকখি। তুংদা অনাবা অদু থাদোকখ্রবা মতুংদা অমুক ডোক্তরদা হেল্পর অদুনা অনাবদু খজিক্তং সেরিয়স ওইরে ঈশিং খজিক্তং খাইদোকপা য়াবগী খুদোংচাবা লৈগদ্রা হায়না হংজরগা ডোক্তরনা খুন্বীরক্লি বদু করিনো হায়না হংজরুবদা ডোক্তর অদুনা পুলিস কৌরগা ফাহল্লুরা হায়রকপদগী শাউনিংবনা মরম ওইদুনা ৱা খরা ঙাঙনখি। তাঞ্জা অদুদা অনাবা অদুসু লম্বীদা লৈত্রে হায়না ফোন তৌরকখি।

এল সুন্দরিনা মখা তারদুনা হায়খিবদা, হোস্পিটাল অসিদা অনাবগী কাঙবুগী মীয়াম অমা চঙলক্তুনা ঈৱাং থোক্লক্কদবা অদু ফাওবা অনাবা ময়াম অমা লৈবা অসি য়েংলগা খামজিনখি। য়ুমদা লৈজবা অনাবা অদুবু হোস্পিটালদা লাক্লগা দ্রিপ কাপশিল্লগা হাংতোকপগী মওংদা চপ চানা থোকখ্রে হায়রি।

হোস্পিটাল অসিদা মহাক্না চঙলুবা ফাওবদা অসিগুম্বা অৱাবা ময়াম অমা থেংনরে। মসিদবু করিসু খঙজদ্রিবা অনাবা ময়াম অমদদি করি ওইরমগনি হায়রদুনা মহাক্না হোস্পিটাল অসিগী হেল্পর অমা ওইনা লৈরকপদগী উরকপা হোস্পিটাল অসিগী অশোয়বশিং পল্লদুনা হোস্পিটাল অসিগী ষ্টাফশিং, ডোক্তরশিং অয়াম্বনা রন্নর ওইরগা লৈরে হায়নসু ফোঙদোকখি।

## সিক্যুরিটি ফোর্সনা এন এস সী এন...

*লামায় ১গী মখা...* অমনা হায়, লালহৌ লূপ অসিগী কা হেনবা থৌওং লাকশিনখিবগীদমক খুঞ্জাশিংনা সিক্যুরিটি ফোর্সেসতা থাগৎপা ফোঙদোক্লরকখি। সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা খাঙপোক শঙ কয়া মাঙ তাকহল্লে হায়বা শেমজিন শাজিনবা ৱাফম কয়া এন এস সী এন (আই-এম) না খুঞ্জাশিংদা শন্দোক্লবা হোৎনরে হায়নসু টোদাইজাং খুলগী খুঞ্জা খরনা পাউ পীরক্লে। সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা পুলিস, ইন্টলিজেন্স এজেন্সি, সিভিল এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি খুঞ্জাশিংগা খুৎশম্নদুনা মণিপুরদা লৈরিবা এন এস সী এন (আই-এম) গী কেম্প পুম্নমক মাঙ তাকহন্নবা হোৎনরি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## আই পি এস, এম পি এস ওফিসর...

*লামায় ১গী মখা...* ওইনা থৌ পুরম্বা আই পি এস তেম্থিং ঙশংভানা দি আই জি রেঞ্জ ৱান অমসুং রেঞ্জ ফোর পুবগী মথক্তা ফায়র সার্ভিসকী দিরেক্টর ইন-চার্জগী থৌসু নৌনা পুরগনি।

ওন প্রমোসন্দা এস পি চুড়াচান্দপুরগী থৌ পুরম্বা আই পি এস কে কবিবনা দি আই জি রেঞ্জ টুগী মথক্তা রেঞ্জ থ্রীগীসু চার্জ পুরগনি। এস পি তমেংলোং ওইরম্বা আই পি এস নিংসেম বাসুম্না ৭শুবা আই আর বিগী সী ও ওইনা, থৌবালগী এস পি ওইরম্বা আই পি এস মোহুরলে সন্দিপ গোপালদাসনা তমেংলোংগী এস পি ওইনা, চান্দেলগী এস পি ওইরম্বা আই পি এস অমৃতা সিনহানা চুড়াচান্দপুরগী এস পি ওইনা, তরাশুবা আই আর বিগী কম্যান্দেন্ট ইন-চার্জ ওইরম্বা এম পি এস আর কে মনবিন্দুনা তরাশুবা আই আর বিগী কম্যান্দেন্ট ইন চার্জকী মথক্তা ১১শুব আই আর বিগী কম্যান্দেন্ট ইন চার্জগী থৌসু পুরগনি। অদুগা ১১শুবা আই আর বিগী কম্যান্দেন্ট ইন চার্জ ওইরম্বা এম পি এস ডা. এস ইবোমচানা থৌবালগী এস পি ইন চার্জ ওইনা অমসুং এদিসনল এস পি/রেলৱে অমসুং ইন-চার্জ এস পি/রেলৱে ওইনা থৌ পুদুনা পি ঐচ ক্যুদা এটেচ তৌরম্বা এম পি এস, এম মোধুনিমাইনা চান্দেলগী এস পি ইন চার্জ ওইনা নৌনা থৌ পুরগনি হায়রি।

অমরোমদা, মণিপুর পুলিসকী দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি) এল এম খৌতেনা ঙরাং থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না ইন্সপেক্টর মরিগী ফম হোংদোক হোংজিন তৌখ্রে। ওর্দর অদুগী মতুং ইন্না স্পেসল সেল ইম্ফাল ৱষ্টকী ও সী ওইরম্বা ইন্সপেক্টর পি সঞ্জয়নাশিংজমৈ পি এসকী ও সী ওইনা, শিংজমৈ পি এসকী ও সী ওইরম্বা ইন্সপেক্টর এন সুরেসনা তামৈ পি এসকী ও সী ওইনা, তামৈ পি এসকী ও সী ওইরম্বা ইন্সপেক্টর জেদ জোসেফ জিমিকনা সী এ আর/উখ্রুল ওইবগী মথক্তা আর ও/উখ্রুল অমসুং সী এ আর/উখ্রুল ওইবগী মথক্তা আর ও/উখ্রুলগী থৌ পুরম্বা ইন্সপেক্টর হোপসন চিপাংনা সী এ আর/উখ্রুল ওইনা নৌনা থৌ পুরগনি হায়রি।

## এয়রপোর্ট দ্রগ...

*লামায় ১গী মখা...* অদুবু কোর্ট কারক্তবগী হায়জরক্লিবা এপ্লিকেসন অসিগা লোয়ননা মরী লৈনবা ডোক্তরনা পীবা মেদিকেল সার্টিফিকেটসু য়েংলবা মতুংদা মহাক্কী মায়কৈদগী তৌরক্লিবা প্রেয়র অসি ঙসিনা অরোইবা ওইনা চান্স পীরে হায়খি। চত্থরক্লিবা পি দব্লিয়ু এগজামিনেসন অসিগীদমক ঙসি কোর্ট কারকখিবা একুজশিংদি পটনাদগী রজনিশ কুমার (৪৪), অপোকপা লৈখিদ্রবা মহেন্দ্র প্রসাদ, উত্তরপ্রদেশতগী রামভির ট্যাগি (৪২), অপোকপা সোশ ট্যাগি, চণ্ডাঙ্গৈ ময়ায় লৈকায়দগী সাপম অঙ্গুস এলিয়স ননাও এলিয়স নাওবা (২৫), অপোকপা এস ইনাওবী, লিলোং শমব্রুখোংদগী এম দি রাজউদ্দিন (১৯), অপোকপা এম দি রিয়াজ অমসুং কৈশাম্পাৎ থোকচোম লৈকায়দগী এল তর্পোন (লুৱাংথেম), অপোকপা লৈখিদ্রবা এল গুলামজাৎনি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০১৩গী জন্যুৱারী ১১গী নুংথিলদা দেক্কান কার্গোদা কার্টুন বোক্স ৭ তা পীক থন্না হাপ্লগা পুরকপা সিউদো ইফিদ্রিন য়াওবা য়াম্লবা দ্রগশিং মতমদুগী ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসতা লৈরম্বা স্পেসল ইন্টলিজেন্স য়ুনিট (এস আই য়ু) গী ইন্সপেক্টর কে রঞ্জিৎনা লুচিংবা টিম অমনা ফাগৎখিবনি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা অহানবদা শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসন্না এন দি এন্দ পি এস এক্টকী সেক্সন ৯এ/২৫এ/২৯গী মখাদা কেস এফ আই আর নম্বর ১১ (১) ২০১৩ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি। অদুবু সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) দা শিন্নবদগী এজেন্সি অসিনা কেস নম্বর আর সী ৭/৫/২০১৩ (কোলকত্তা) রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি। কেস অসি এজেন্সি অসিনা ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ১২০ (বি), ৪২০, ৪৬৮, ৪৭১, ৫০৬ অমসুং এন দি এন্দ পি এসকী সেক্সন ২১/২৫(এ)/২৯/৩২গী মখাদা রেজিষ্টর তৌবনি।

## পি এল ভিশিংগী ত্রেনিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস) : দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ, ইম্ফাল ৱেষ্টসু ওইরিবী দিষ্ট্রিক্ট অসিগী লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটি (দি এল এস এ) গী চেয়রমেন আর কে মেমচানা রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াদুনা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্টকী পেরা লিগেল ভলুন্টিয়র (পি এল ভি) শিংগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। থাসিগী ২৫দগী হৌরগা নুমিৎ নীনি চুপ্না পাঙথোকখিবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসি লম্ফেল কোর্টকমপ্লেক্সকী এ দি আর সেন্টরগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবনি। প্রোগ্রাম অসিদা রিছোর্স পার্সনশিং ওইবা য়াওনা শরুক য়াখিবশিংগী মনুংদা এদভোকেট মৈহৌবম রাকেস, এল পিঙ্কি অমসুং দি এল এস এগী সেক্রেটরি কে নিরোজিৎসু য়াওখি।

## কুনমাথোইরকশুবা মৈরা পায়বী...

*লামায় ১গী মখা...* লৈখ্রবা মতুংদগী ঙসি ফাওবা মণিপুরদা তংদু-লৈতাদবা, চাউখৎ-লমজেল মপুং ফাদবা ফীভমদা লাক্লি। আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱারস এক্টকী পৱার শীজিন্নদুনা মণিপুর মীয়াম্বু সিফাইশিংনা মনিং-মখা তম্না মীওৎ-মীনৈ চত্থহনখি। মীহাৎ-মীপুন অমদি নুপীগী ঈকায় খুম্নবা মাঙহনবা, মীওইবগী রাইট খোঙ্গোয়নরকপা মতমদা মীয়াম্না তুমীন্না লৈশিনবা ঙমখিদে।

মণিপুরগী নুপীশিংনা মখোয়গী মায়োক্তা থৌনা-লিংজেল ফুদোক্তুনা আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱার এক্ট মণিপুরদা চৎনবা য়ারোই হায়না খোঙজং কয়া চঙশিনদুনা লাকখি। পান্দমশিং অসি ফংনবা চঙশিল্লি। চঙশিনখিবা খোঙজংদা থৌনা ফরবী সিনাম ওংবী প্রিয়ারি থৱায় থাখিবনি। খোঙজং অদুদা থৱায়না পোম্থা পীখিবা নুমীৎ কুমজা ১৯৮০ গী মে ২৮ অসি নীংশিংবা ওইনা চহী খুদিংগী মৈরা পায়বী নুমীৎ পাঙথোক্তুনা লাক্লি। হৌজিক মীয়াম্না থেংনরিবা ইস্যুশিংগী মনুংদা আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱারস এক্টকী মখাদা পীরকপা চৈথেংসু অমনি। নুপীশিংদা মীওৎ-মীনৈ চত্থবা থিংনবগী লম্বী মাঙশিল্লক্লবা ফীভম অমদা লাক্লি।

মীতোপ মীয়ানচাশিংগী মশিং ঈশিং-ঈচাউগুম হেনগৎলক্তুনা লমগা চান্নরক্তবা ওইরি। লৈঙাক মপুশিং শিন্দোক শিঞ্জিন তৌরবসু হান্নদগী লৈরক্লিবা মীয়াম নমথরগা লৈঙাকপগী থৌশিল অসিদি অহোংবা লৈতে। মীয়াম নমথরগা লৈঙাক্লবা থৌরাং তৌরক্লি। খুন্নাই অসি মপু পান্দবা খুন্নাই অমগুম ওইরে। অথিংবা য়াওদনা পাঙথোরকপা কয়া অসিনা খুন্নাই অসি চরাংনবা থোক্লিবনি। সেক্সকা মরী লৈনবা ক্রাইমশিংদা ইনোৎ পীরিবনি। মপান্দগী মীতোপ-মীয়ানচানা নুপী-অঙাং ফাওবা লৌদুনা য়ুম্বান-কৈবান তৌরক্লে। মসি তরাইনা লৌবা য়াদে। মসি থিংনবা ঈহৌ কয়া চঙশিনবা মথৌ তাই। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা হিন্দুনাইজেসন্দা কাঙলুপ মচা মচা কয়া য়োৎশিনবা য়াদ্রগনা অমগা অমগা খৎনহন্নবা শিনবা কয়া অসি মৈরা পায়বীনা খঙই। পুম্নমক অসি থেংনগনি। মীয়াম পুন্না চৎমিন্নদুনা থেংনরসি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মৈরা পায়বী নুমীৎকা মরী লৈননা ষ্টেট ব্লদ সেল এন ঐচ এম মণিপুরগী সপোর্টকা লোয়ননা ঈ কৎপগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি। মদুদা তোঙান তোঙানবা মফমদগী মীওই ৫০ রোম্না ঈ কৎখি। সী এস ও কয়াগী লুচিংবশিং, মৈরা পায়বী লূপ কয়াগী লুচিংবশিংসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা এম য়ুগী পোলিটিকেল সাইন্স দিপার্টমেন্টকী ওজা ওইরম্বা প্রোফেসর ক্ষেত্রি বিমোলানা চীফ গেষ্ট, পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপূনবা মণিপুরগী প্রসিদেন্ট লোংজম মেমচৌবীনা প্রসিদেন্ট ওইখি। মৈরা পায়বী ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট আর রেংসোঙানা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

### এম এল এ লোকেশ্বর দিসক্কালিফিকেসন কেস :

# রেপ্লিকেসনগী অয়াবা পীবিয়ু হায়জখিবা কেসকী জজমেন্ট হায়কোর্টনা রিজর্ভ তৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস):
কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকখিবা ১১শুবা ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সন্দা নম্বর - ১ খুন্দ্রাকপম এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিদগী কোংগ্রেসকী টিকেটতা কারকখিবা থোকচোম লোকেশ্বরবু এম এল এ ওইবদগী দিসক্কালিফাই তৌবিয়ু হায়দুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন অমগা মরী লৈননা ফাইল তৌরকখিবা রেপ্লিকেসনবু অয়াবা পীবিয়ু হায়জরকখিবা কেসকী জজমেন্ট এন্দ ওর্দর কোর্ট অসিনা রিজর্ভ তৌখ্রে।

এম এল এ অসিগী মায়োক্তা মীখল অদু পাঙথোক্লগা মসিগী রিজল্টসু লাউথোকখিবা কুমজা ২০১৭ অদুমক্তদা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন অদুগী নম্বরনা ৩ ওফ ২০১৭নি। পিটিসন অসি হরাওরৌ ভিলেজদগী থাংজম মোহেন্দ্রো (৫৯), অপোকপা লৈখিদ্রবা টি ঐচ মায়পাকনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবনি।

পিটিসন অসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা এদমিট তৌদুনা লৌখৎলগা মসিগী ৱায়েলগী থবকশিং লৌখৎলদুনা কেস অসিগী রেসপোন্দেন্টশিংদা নোটিশশিং ইস্যু তৌখিবনি। নোটিশশিং অসিগী পাউখুমদা রেসপোন্দেন্টশিংনা মখোয়গী মায়কৈদগী পাউখুম (এফিদেবিট) শিং পীখৎলকখি। অদুবু মরুওইবা রেসপোন্দেন্ট অমা ওইনা য়াওরিবা থোকচোম লোকেশ্বরগী মায়কৈদগী ফাইল তৌরকপা এফিদেবিটতা ইলেক্সন পিটিসন অসিদনা ফোঙদোক্লিবা ৱাফমশিং ককথৎলকপা অমসুং অরানবা তাহনবা ৱারোলশিং য়াওরকখিবনি। মসিদগী রেসপোন্দেন্ট এম এল এ অসিগী ৱারোলশিং অসিদা চুমদবা অমসুং লান্না হায়জিল্লকপা ৱাফম কয়ামরুম য়াওরে হায়রদুনা পিটিস্নর থাংজম মোহেন্দ্রোগী মায়কৈদগী রেসপোন্দেন্টনা লান্নাহায়জিল্লকপনি হায়বা ৱাফমশিং অদুবু চুমথোকপা (ক্লারিফিকেটরি ফেক্ট) শিং য়াওবা ‘রেপ্লিকেসন’ অমা কোর্ট অসিদা ফাইল তৌরকখিবনি।

অদুগা রেপ্লিকেসন অসিবু কোর্টনা অয়াবা পীবিদুনা এদমিনট তৌবিয়ু লোয়ননা মসিগী মনুংদা য়াওরিবা অচুম্বা ৱারোলশিং অসি মপূং ওইবা (ম্যেন) কেস ওইরিবা ইলেক্সন পিটিসন কেস নম্বর ৩ ওফ ২০১৭ অসিগী মরুওইবা মচাকশিং ওইহনবীয়ু হায়দুনা পিটিস্নর অসিনা মিসেলিনস কেস (ইলেক্সন পিটিসন) নম্বর ২৩ ওফ ২০১৭ ফাইল তৌরকখিবনি। অকোনবগী মিসেলিনস কেস অসিসু কোর্ট অসিনা এদমিট তৌদুনা লৌখৎখিবগা লোয়ননা হান্নগী ম্যেন কেস অদুগা পূন্না ঙসি জষ্টিশ এম ভি মুরালিদরনগী কোর্ট নম্বর ৪গী বেঞ্চতা লৌখৎখি। কোর্ট অসিগী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর ৩৭ অমসুং ৩৮দা পুল্লপ লিষ্ট তৌখিবা কেসশিং অসিদগী অকোনবগী কেস অসিগী হিয়ারিং পাঙথোকখ্রে। অদুগা মসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দরনা রিজর্ভ তৌদুনা থমখিবনি। কেস অসিদা এদভোকেট এন মহেন্দ্রনা লেপখি।

পনবা য়াবদি, রেসপোন্দেন্ট এম এল এ লোকেশ্বরগী এফিদেবিটকী মায়োক্তা ফাইল তৌরগা কোর্টতা অয়াবা পীবিয়ু হায়জরক্লিবা রেপ্লিকেসন অসিদা এম এল এ অসিগী য়ুম্নাক থোকচোম নত্তে। মহাক্কী অশেংবা য়ুম্নাক্তি ওইনামনি। মহাক্কী অপোকপগী মমিংনা ওইনাম খোইদুম্বা কৌই। কুমজা ১৯৮৯গী ইলেক্তোরেল রোলদা মহাক্কী মমিং ওইনাম লোকেশ্বর অসি ৩৮-হিয়াংলম এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ৩৮/২০গী সেরিএল নম্বর ২৩০ (২) (হাওস নম্বর ৪১) দা য়াওই।

অদুগা কুমজা ১৯৯৩গী ইলেক্টোরেল রোলদনা মহাক্কী মমিং অসি অরোং নোংমাইখোং পোল্লিং ষ্টেসনগী সেরিএল নম্বর - ২৬০ (১) দা য়াওই হায়না ফোঙদোকখিবনি। লোয়ননা মহাক্কী মথক্তা ফাইল তৌরক্লিবা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ৩ ওফ ২০১৭ অসি লৌবিগনু হায়দুনা কোর্ট অসিদা ফাইল তৌরকখিবা মিসেলিনস কেস (ইলেক্সন পিটিসন) নম্বর ২৮ ওফ ২০১৭ দি কোর্ট অসিনা দিসমিস তৌখ্রবনি।

## উ-চারা থাবগী থৌরম পাঙথোক্লখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস):
২১শুবা মৈরা পায়বী নুমীৎকা মরী লৈননা আইমোল ভিলেজ দিভলপমেন্ট কম্মিটি, লোক্তাক প্রোজেক্টনা শীন্দুনা উ-চারা থাবগী থৌরম অমা ঙসি অয়ুক পাঙথোকখ্রে। অমরোমদা, ২১ শুবা মৈরা পায়বী নুমীৎকা মরী লৈননা সগাং এরিয়া দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন, সগাংনা শীন্দুনা উ-চারা থাবগী থৌরম অমা ঙরাং নুংথিল পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপূনবা লূপ মণিপুরনা স্পোন্সর তৌদুনা পাঙথোকখিবনি।



মরকসিদা, ঙসি পাঙথোক্লিবা ২১শুবা মৈরা পায়বী নুমীৎকা মরী লৈননা পুরুম খুল্লেনগী ৱিমেন সোসাইটি, এম এ কে আর দি সী অমসুং খুঞ্জাশিংনা খুনগী অকোয়বদা উ-চারা থাবগী থৌরম অমা ঙসি অয়ুক পুং ৭ তাবা মতমদা পুরুম খুল্লেন কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতা পাঙথোকখ্রে। থৌরমশিং অসি পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপূনবা লূপ মণিপুরনা স্পোন্সর তৌদুনা পাঙথোকখিবনি হায়রি।

APOLLO TUTORIAL CENTRE
Admission Open For
**Foundation Course**
XI Sc. & XII Sc. (CBSE & COHSEM)
Phy, Chem, Bio, Maths, Eng, C.Sc, Home Sc.
English Tution- Sunday & Holiday ( Morning)
Facilities : Free Text Book Sets
Special Concession:
Meritorious / ST/ SC / Govt. School / Hosteller/ MOBC -Students
**Apollo - NEET (UG)**
Regular Medical Entrance Course 2019-20
Special Facilities:
- Class- X & XII Toppers
- Meritorious Students
- SC/SC/MOBC/OBC Students
- NEET-2018 & 2019 Aspirants
- Students may admit only one Subject also
Hostel Fee- Rs 4000/- only ( Boys & Girls)
Office Timing: 7:00 am - 7:00 pm
8258013846
Form Issue 05/05/2019 | Class Start 06/06/2019 | Class Timing 4:30pm- 7:30pm
Form Issue 13th May 2019 | Last Date 25th June 2019 | Class Start 1st Week of July
Please contact : Apollo office Kwakeithel Bazar Near AMUCO Office, Imphal - 795001
HL-B/5313/13/4-6/6(alt)

KINGDOM SPOKEN ENGLISH & Etech COMPUTER
Special Classes for X, XI & XII Appeared Students
English Course + Free 1 mth. Computer Course
Instructor :
SIR NAOBI LOITONGBAM
FREE FOR ORPHANS
- 19 YRS. TEACHING EXPERIENCE
- 3 MTHS. AT IT CALL CENTRE AS A TRAINER
- 2 MTHS. AT AIR (ALL INDIA RADIO) IMPHAL
- 1 MTH. IN MYANMAR / BURMA AS A TRAINER (SPONSORED BY SAT, GOVT. OF MANIPUR)
- MULTIPLE SCHOOLS & COLLEGES - AS AN ENGLISH LANGUAGE TRAINER (SPONSORED BY UGC)
English Features :
Grammar, Vocabulary, Pronunciation, Soft-skills, Daily Conversation, Personality Development, etc.
COMPUTER COURSES :
DCA, CCC, CCP, C/C++, DTP, Tally GST, Typing, HTML Programmings, Data Entry, etc.
SPOKEN HINDI CLASS AVAILABLE
Sunday Spoken English Class only for Class V - IX at 6 am to 9 am
#7005622203, 7005665814
Old Lambulane, Jail Road, Opp. G.P. Women's College
HL-B/5359/27/4-27/5

Government of Manipur
Rural Engineering Department
Manipur State Rural Roads Development Agency (MSRRDA)
4th Floor, Secured Office Complex, A.T. Line, North AOC, Imphal - Manipur.

...

N O T I C E

Dated, Imphal the 27th May, 2019.

**No. 5/16/2018-MSRRDA/E-Tender/B-I, 2018-19/RT / 1̸78** : It is hereby informed to all the concerned that the opening of Technical Financial Part of Bid for the packages of Batch-I, 2018-19 of NIT No.. 5/16/2018-MSRRDA/E-Tender/B-I, 2018-19)/RT/568 dt. 07/01/2019 will be opened on **29th May, 2019** from **11:00 Hrs** onwards at the Conference Hall of RED/MSRRDA.

27/5/19
**(Th. Nandakishore Singh)**
Chief Engineer, RED/MSRRDA.

HL-B/5419/28,29

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR : IMPHAL

ADVERTISEMENT NO 3/19
Dated, the 27th May, 2019

No. MU/5-124/2013/FCY: Applications on prescribed form are invited from Indian Nationals for filling up the following posts with the University Grants Commission's pay scale:

| Post Code | Department | No. of posts | | | Total |
|---|---|---|---|---|---|
| | | Professor | Associate Professor | Assistant Professor | |
| 01 | Anthropology | - | 02(1-UR, 1-SC) | - | 02 |
| 02 | Biochemistry | 01 (SC) | - | 01(UR) | 02 |
| 03 | Biotechnology | 01 (UR) | 02 (1-UR, 1-SC) | - | 03 |
| 04 | Chemistry | - | 03 (2-UR, 1-Lien Post) | - | 03 |
| 05 | Computer Science | 01 (UR) | 01 (UR) | 01 (UR) | 03 |
| 06 | Earth Sciences | 01 (UR) | - | 01 (OBC) | 02 |
| 07 | Geography | 01 (UR) | 01 (UR) | 02(1-UR, 1-SC) | 04 |
| 08 | Life Sciences | 02 (1-UR,1-SC) | 05 (3-UR, 1UR(PWD), 1-SC) | 02 (1-UR, 1-ST) | 09 |
| 09 | Mathematics | - | 02 (1-UR, 1-SC) | - | 02 |
| 10 | Physics | 01 (UR) | 03 (2-UR 1-SC ) | 02 (1-UR, 1-OBC) | 06 |
| 11 | Physical Edn. & Sports Science | 01 (UR) | - | - | 01 |
| 12 | Statistics | 01 (UR) | - | 01 (UR) | 02 |
| 13 | Economics | 01 (UR) | - | - | 01 |
| 14 | Education | 01 (UR) | 02 (UR) | - | 03 |
| 15 | Commerce | 01 (ST) | - | - | 01 |
| 16 | History | 01 (UR) | 04 (3-UR, 1-ST) | 02 (UR) | 07 |
| 17 | Pol. Science | 01 (UR) | 03 (2-UR, 1-SC) | 02 (1-UR, 1-OBC) | 06 |
| 18 | Lib. & Inf. Science | - | 01 (UR) | 01 (UR) | 02 |
| 19 | English | 02 (1-UR, 1-SC) | 01(ST) | 01 (UR) | 04 |
| 20 | Hindi | 01 (SC) | 01 (UR) | 01(PWD) | 03 |
| 21 | Manipuri | 01 (UR) | 04 (3-UR, 1-SC) | - | 05 |
| 22 | MIMS (Management) | 01 (SC) | - | 02 (1-UR, 1-OBC) | 03 |
| 23 | Philosophy | 01 (ST) | 01 (UR) | - | 02 |
| 24 | Adult, Continuing Education & Ext. | - | 01 (UR) | 01 (UR) | 02 |
| 25 | Manipuri Dance | - | 01(UR) | 01 (UR) | 02 |
| 26 | Mass Com. | - | 01 (UR) | - | 01 |
| 27 | Foreign Language | - | 02 (UR) | 03 (2-UR, 1-OBC) | 05 |
| 28 | Sociology | - | 02 (1-UR, 1-ST) | 01 (OBC) | 03 |
| 29 | Forestry & Envt. Sc. | 01 (UR) | 02 (UR) | 01 (UR) | 04 |
| 30 | MIT (Engineering) | - | - | 01 (ST) | 01 |
| 31 | Fine Arts | - | 01 (UR) | 04 (2-UR, 1-OBC, 1-SC,) | 05 |
| 32 | Law | - | 01 (UR) | 04 (2-UR, 1-OBC 1-ST,) | 05 |
| 33 | Teacher Education | 02 (UR) | 03 (1-UR, 1-SC, 1-ST) | 02 (1-UR, 1-SC) | 07 |
| 34 | Yoga | 01 (UR) | 01 (UR) | 02 (1-UR, 1-OBC) | 04 |
| | Total | 25 | 51 | 39 | 115 |

*** Abbreviations UR=Unreserved, OBC=Other Backward Classes, SC=Scheduled Caste, ST=Scheduled Tribe, PWD=Persons with disabilities.**

Information sheet containing the details of essential qualifications, experience, specialization, terms and conditions for the advertised posts and separate application forms for Assistant Professor and Associate Professor/Professor can be downloaded from the University website: www.manipuruniv.ac.in or can be

Application fee of **Rs. 1000/- for UR & OBC candidates and Rs. 400/- for SC/ST/PWD candidates** has to be remitted through RTGS/NEFT to State Bank of India, Manipur University Branch, Canchipur, Imphal India on Account No. **35870889269 & IFSC: SBIN0005320**

The duly filled application form complete in all respects along with relevant documents and proof of fee submission must reach to **The Registrar, Manipur University, Canchipur, Imphal – 795003,** preferably through speed post/registered post on/before **6th July 2019.**

Those in service should apply through proper channel.

The candidates who had applied earlier for the posts against the Advt. No. 2/2013 dated 30/11/2013, Advt. No. 3/2014, dated 31.10.2014, Advt. No. 1/15 dated 18.01.2016, Advt. No. 2 dated 15.03.2016 and Advt. No. 3 dated 21.07.2016 and Advt No.4/17 dated 07.06.2017 have to update their bio-data **in the new application format without fee. UGC Regulation 2018 will be followed.**

**The 'Name of the Post Applied For:' must be clearly mentioned on the envelope containing the application.**

Sd/- David K. Zote
Registrar i/c

HL-B/5421/29